**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-12-2024)**

**কমিতি (এল)ঃ** লাইশ্রম কমলবাবু মাঙখিবগা মরী লৈননা থিজিন হুমজিন্নবা কমিতি অমা শেমনবা হায় কোর্ট মনিপুরনা খঙহনখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-দি. কৃষ্ণকুমার অমসুং জষ্টিস-গোলমৈ গাইফুল সিলু কবুই অনিগী দিভিজন বেঞ্চনা ঙসি তাখিবা রাই অমগী মতুং ইন্না লাইশ্রম কমলবাবু হায়রিবা মীশক অসি কনাগুম্বা মীওই খরনা নমদুনা ফাদুনা পুখিব্রা নৎত্রগনা মশা মতোমতা লোৎখিব্রা হায়বদু খঙদোকবা ইনক্কারি কমিতি অমা শেমনবা খঙহনখিবনি। হায়রিবা ইনক্কারি কমিতি অসিদা কাংপোকপী জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট, জিলা অসিগী সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস, ৫৭ মাউন্দেন্ট দিভিজনগী কম্মান্দিং ওফিসার য়াওরি। মখা তানা থিজিনবগী থবক অসিদা কমলবাবুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনসু হীরম অসিগা মরী লৈননা মখোয়দা লৈবা দোকুমেন্ট নৎত্রগা রেকোর্টনচিংবা পীদুনা কমিতি অসিদা মতেং পাংবসু য়াগনি হায়রি।

**গৌরব (এল)ঃ** হৌজিক চথুরিবা সংসদকী নীংথম মীফমদা মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা খন্ননবা লোক সভাদা ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী দিপ্যুতি লিদর-এম.পি. গৌরব গোগোইনা হাউসতা এদজোরমেন্ট মোসন অমা ঙসি থাংগৎখ্রে।

লোক সভাগী সেক্রেটরি জেনরেলদা থাবা এদজোরমেন্ট মোসন অদুদা মনিপুরদা থা ১৮ হেল্লবা ইরাং অসিনা মীওই লিশিং কয়া ময়ুম লৈহন্দবা অমদি মীওইবগী হক খোঙ্গাউনবা লোয়ননা শেল থুমগী ফিভমদা কা হেন্না শোকহল্লে

হায়বা ৱাফম য়াওরি।

মহাক্কী মোসন অদুদা গৌরব গোগোইনা হায়-মনিপুরদা কাংলুপ অনিগী মরক্তা থোক্লিবা ইরাং অসি সরকারনা লোয়শিনদুনা তংদু লৈতাবা পুরকপা ঙমদ্রে । ম্যান্মারগা তায়নবা মনিপুরগী ঙমখৈ পরিংদা নীংথিনা শন্বাল খাদবা অসিনা মরম ওইদুনা ম্যান্মাররোমদা মনিপুরদা খুৎশু খুৎলায়শিং পুথোক পুশিন তৌবা অমসুং দ্রগ লল্লোনবগী সমস্যা কয়া মায়োকহল্লে ।

লোয়ননা ইরাং অসি লুমা লৌদবা অমদি ইরাং লোয়শিন্নবা হোৎনদবনা লমদম অসিগী শেন্থোক লন্বীদা চাউনা অকায়বা পীরে। ইরাং অসিগী মতাংদা সংসদতা নিংথিনা খন্নদুনা লৈবাক অসিগী অমত্তা ওইবা অমদি অপুনবগী শক্তমদা শিংনরক্লিবা অসি লোয়শিন্নবা হোৎনবগী মতম ওইরে।

**ডে (এল)ঃ** ইন্টর্নেসনেল ডে ওফ পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজগী থৌরম ঙসি মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোকখি। কুমসি চহীগী পালন থৌরম অসিগী হীরমদি-এমপ্লিফাইয়িং দ লিদরসিপ ওফ পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ ফোর এন ইনক্লুশিপ এন্দ সস্তেনেবল ফ্যুচর হায়বসিনি।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়র দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা ইম্ফালগী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা পারসন্স ৱিট দিসএবিলিতিজ, মনিপুরগী ষ্টেট কম্মিসনার-ৱাইখোম বিহারিনা হায়- হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংদা হিংবগী মহাউ খঙনা মখোয়গী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা সরকারনা লেপ্তুনা হোৎনরি। হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংগা মরী লৈননা পায়খৎপা য়াইফ থৌরাংগী কান্নবশিং মপুং ফানা ফংহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামনা মতেং পাংবীনবা শ্রী বিহারিনা আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সোসিএল ৱেলফিয়ারগী দিরেক্তর-ঙাঙোম উতমনা হায়-সরকার, মরুওইনা সোসিএল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংগীদমক য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা কন্না হোৎনবদগী

মীয়ামনা মখোয়দা য়েংবীরম্বা হন্থবা মীৎয়েংশিং তপা তপা হন্থরক্লি। মীয়ামসু হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংবু লুনা-চান্না লোয়নবীদুনা মখোয়বু মীয়ামগী মরক্তা তিনদুনা থৌনা লৈনা হিংনবা হোৎনবদা মতেং পাংবিয়ু হায়না আপিল তৌখি।

স্পাষ্টিক সোসাইতি ওফ মনিপুর, রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফালনা অমসুং রোটরি ক্লব ওফ পোলো সিটিনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাপোকপী বজারদা লৈবা সোসাইতি অসিগী ওফিসতা পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লংথাবাল কেন্দ্রগী এম.এল.এ. করাম শ্যামনা হায়- হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবসু ৱাখলদা মীওইবা অমনি হায়না চাউথোকা হিংবা ঙম্লিবা অদু চাউরবা গুন অমনি।

ওল মনিপুর দিসএবল এন্দ হেন্দিকেপ পারসন্স দিবলপমেন্ট এজেন্সি অমসুং থৌনাওজম চাউবা মেমোরিএল চেরিটেবল ত্রষ্টনা শিনদুনা ইন্টরনেসনেল ডে ওফ পারসন্স ৱিট দিসএবিলিতিগী থৌরম ঙসি শিংজমৈ চিংঙামখা ক্ষেত্রি লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা থৌনাওজম চাউবা মেমোরিএল চেরিটেবল ত্রষ্টনা থা খুদিংগী দিসএবলশিংদা পীবা পেন্সন, শিংজমৈ কেন্দ্রগী দিসএবল ওইরবা মীওই ১০০ দা পীখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ত্রষ্ট অসিগী মেনেজিং ত্রষ্টি-থৌনাওজম রোমেননা হায়-হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিং অসি হোৎনবা য়ামা কনবা, ঈশ্বরনা পীথোরকপা গুন লোয়নরক্লবা মীওই কাংলুপ অমনি। মখোয়বু হন্থনা য়েংবিবগী মহুৎতা পুকিং থৌগৎপীদুনা শৌগৎপীগদবনি।

ৱার্ল্ড দিসএবল ডে ২০২৪, থৌবাল জিলাদসু জেট.ই.ও. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। পুন্না হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা অঙাং ৩৬ তা খুদোলপোৎ পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

পালন থৌরম অসি জিরিবামগী লাখিমপুরদা লৈবা ইন্সটিট্যুট ফোর চিলদ্রেন ৱিট দিসএবিলিতিজ (আই.সি.দি) কেম্পতসু পাঙথোকখি।

পালন থৌরম অসি থৌবাল জিলাদসু দিবলপমেন্ট ফোর ৱিমেন্স প্রোগ্রাম সেন্টর-থৌবাল ৱাংমাতাবনা শিনদুনা ঙসি সেন্টর অসিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগনা শিনদুনা প্রমোটিং ইন্দষ্ট্রিয়েল কেপাসিতি অমসুং ইজ ওফ দুয়িং বিজিনেস হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা ইম্ফালগী হোটেল ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রাজ্যগী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জারভেটর ওফ ফোরেষ্ট-অনুরাখ ভাজপায়না হায়-মনিপুর অসি মহৌশাগী পোৎথোক অমদি কলা সংস্কৃত্তিগী পোৎলম কয়া ৱাৎতবা লমদম অমনি। ইনাক খুল্লবা লমদম অসিগী পোৎথোকশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ইন্দষ্ট্রিশিং লীংখৎপনা লমদম অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমগনি। লমদম অসিগী উমংগী শরুক অমা চাদা ৭৫ ওইবনা উমংগী পোৎথোকশিংদা য়ুম্ফম ওইবা ইন্দষ্ট্রিশিং লিংখৎপা হায়বসি লমদম অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি।

**নেট (এল)ঃ** মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা কনাগুম্বশিংনা সোসিএল মেদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোকপা, ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নবা অমদি অরানবা ভিদিও মেসেজশিং থাগৎতুনা মীয়ামদা লান্না উহনবা য়াবা ফিভম লৈবদগী সরকারনা জিলা খরদা মোবাইল ইন্টরনেট সার্ভিসতা থল্লিবা অথিংবা মখা তানা থা অসিগী ৫ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

রাজ্যগী হোম কম্মিস্নার-এন. অশোককুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ইন্টরনেট সার্ভিস অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, কাংপোকপী, চুরাচান্দপুর, জিরিবাম অমদি ফেরজোল জিলাশিংদা থা অসিগী মঙাগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ মিনিট ১৫ ফাওবা অথিংবা থমলে।

**আইদিপি(এল)ঃ** মনিপুরগী ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা ইন্টরনেল্লি

দিসপ্লেস পারসন্স (আই.দি.পি) শিংগী পীফম থোকপা শেনফমশিং মতম চানা পীথোকপীনবা মীতৈ কাউন্সিল মোরে অমসুং মীতৈ সোসাইতি-চুরাচান্দপুরনা রাজ্যগী হোম কম্মিস্নার-অশোককুমারগা উন্নদুনা তকশিনখ্রে।

উন্নবা অদুদা শ্রী অশোককুমারনা আই.দি.পিশিংগী পীফম থোকপা তেংবাংগী শেনফমশিং থা অসিগী ১৫ ফাওবদা পীথোক্লগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়রি। রিলিফ কেম্পতা লৈতবা আই.দি.পিশিংগীসু তঙাইফদবা পোৎলমশিং মখা তানা পীখিগনি হায়নসু হোম কম্মিস্নারনা থাজবা পীরকখি হায়রি।

**কাউন্সিল(এল)ঃ** লৈমখোংদা লৈবা ফিফতি সভেন মাউন্টেন্ট দিভিজনগী কমপ্লেক্সতা নবেম্বর ২৫ দা চংখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরিবা শিন্মী-লাইশ্রম কমলবাবুবু তেক্ত কায়দনা থাদোকপীরকবা মীতৈ সোসাইতি-চুরাচান্দপুর অমসুং মীতৈ কাউন্সিল-মোরেনা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরি। মহাকপু ঙসি ফাওবা লংলা-লংজিল অমত্তা খঙদনা অমদি পুথোকপা ঙমদনা লৈবা অসিনা মীয়ামদা খোইরাং খোইশাউনবা কয়া পোকহল্লিবা অসি ওথোরিতিনা অথুবা মতমদা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎপীদুনা কোকহনবীনবা আপিল তৌরি।

**থৌবাল (এল) ঃ** ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র (কে.ভি.কে) লিংখৎখিবগী চহি ৫০ মপুং ফারকপগী গোর্ল্ডন জুব্লি থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি খাঙবোক্তা লৈবা কে.ভি.কে. থৌবালগী ওফিসতা চয়োল অমা চুপা চথুগদবা ক্রিসি সোরনা শমরিধি ৱিক ২০২৪ হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদু মনিপুর লৈঙাক্কী এগ্রীকলচর লোইশঙগী মখাদা আই.সি.এ.আর-এ.টি.এ.আর.আই-জোন সিক্স, উমিয়াম মেঘালয়া অমসুং কে.ভি.কে. থৌবালনা শিনবনি।

থৌরম অদুদা চয়োল অমা চুপা পাঙথোক্কদবা কিসান মেলা অমসু

হৌদোকখি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** ককচিং কম্মান্দোগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং ককচিং লমাখাইদগী কে.সি.পি (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই মরি ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-মখোয়দগী এম-টোইন্তিগী পিষ্টোল অমা, দিমান্দ লেট্টর অমসুং অহাংবা টেক্স রিসিপ ৮০ ফাগৎখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং লোয়ননা ফাগৎলবা মীওইশিং মখা তাবা থবক লৌখৎনবা ককচিং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

**মরু-মরাং(এল)ঃ** ৱালনট দিবলপমেন্ট ওফিসার-মোরে অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জারভেসন-তেংনৌপলনা শিনদুনা ইন্টিগ্রেটেদ দিবলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর স্কিমগী মখাদা নীংথম থাদা থানবা মনা-মশিংগী মরু-মরাং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা তেংনৌপল জিলাগী মোরে সব-দিভিজনদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরগী লোংমাই পার্ট ফোর পিছলেন্দদা লৈবা ৱিমেন সোসাইতিনা শিনদুনা লোংমাই পার্ট ফোরদা লম তু-শেংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি চান্দিগরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম-‘ভারতিয়া ন্যায় সনহিতা, ভারতিয়া নাগরিগ সুরক্ষা সনহিতা অমসুং ভারতিয়া শক্ষ্যা অধিনিয়ম’ মাই পাকা চৎনহনবা ঙমখিবা অদু জাতিদা কৎথোকখ্রে।

চহী অসিগী জ্লাই ১ দা লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনবা হৌখিবা ক্রিকিনেল লো অহুম অসিনা লৈবাক অসিগী আইনগী চৎন-কাংলোন হেন্না মনুং মপান

ফাওনা উহন্নবা, হেন্না মতিং লৈবা অমসুং হৌজিক মতমগী খুন্নাইগী তঙাই ফদবগা চুশিন্নবা ঙমহন্নবা পান্দম থল্লি। থৌরম অসিগী নুংগী ৱাখল্লোনদি-অশোয় অঙাম লৈতবা খুন্নাই, চাউখৎলবা ভারত-চৈরাক্কী মহুৎতা অচুম্বা ফংহনবা হায়বসিনি। থৌরম অসিদা, আইনশিং অসি থবক্তা ওন্থোকপা অদু হকথেংননা মীয়ামদা উৎথোক্কনি । অদুগা, আইনশিং অসিনা ক্রিকিনেল জস্তিসকী মওং অমুক হন্না করমা শেমদোক্লবগে হায়বদুসু উৎথোক্কনি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা চান্দিগরদা ক্রিমিনেল লো অহুম অসি মপুং ফানা চৎনহনবগীদমক পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানা হায় কোর্টকী উকিল অমদি চানি দগর বারগী মীহুৎশিংবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়-চহি অহুমগী মনুংদা ক্রিমিনেল লো অহুম অসি  লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনহল্লগনি। মহাকা হায়-লো অহুম অসি মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগীদমক শেমখিবনি।

**মুরমু ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ন্যু দিল্লিদা ঙসি লন্নাই মীওই য়াওনা মালেমগী ওইবা ইন্সটিটুয্যসন পুন্না ৩৩ দা নেসনেল এৱার্ড ফোর ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিট দিসএবিলিতিজগী মনা য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-ঙসি এৱার্ড ফংখ্রবা মীওইশিং অসি সমাজনা শিংথানিংঙাই ওইবা অমদি তমজনিংঙাই ওইবা মীওইশিং ওইনা লৌনরগনি। রাস্ত্রপতিনা মখা তানা হায়-মখোয়গী মতৌ তমদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অমসুং ইন্সটিটুয্যসনশিংনা কন্না হোৎনদুনা দিভয়াংজন মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী লম্বীদা মাঙ থানা চংশিনগদবনি। মহাকা হায়-হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিংদা ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিপকী ৱাখল্লোন লৈহন্দুনা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা হেনগৎহনবা অমসুং থবক তৌবগী খুদোংচাবা পীবনা মখোয়গী মতিক মগুন হেনগৎহনবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা সোসিএল জষ্টিস এন্দ ইমপৱারমেন্ট মন্ত্রি-ডা: বিরেন্দ্র

কুমারনা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিংগীদমক ত্রান্সর্ফোরমেটিপ ইন্সিয়েটিব ১৬ সু মীয়ামদা মায়খুম হাংদোকখি।

**জয়শঙ্কর ঃ** ভারত অমসুং চাইনা লৈবাক অনিগী শিমানা পরিংশিংদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা লৈহনবনা লৈবাক অনিগী চাউখৎ থৌরাংগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমগনি হায়না মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা ফোংদোকখ্রে।

লৈবাক অনিগী ঙমখৈ পরিংশিংদা চথুরিবা থবক থৌরমশিং লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কুপা খন্নগনি। লৈবাক অনিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা লোক সভাদা মহাক্কী ওইবা ৱাফম ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অনিগী কুটনিতিগী থবক থৌরমশিং অসিনা লৈবাক অনিগী হেন্না ফগৎপা লম্বীরোমদা চংশিল্লকপা ঙমলে।